# ওজিৎকুমার এলাঙবমনা ডাইরেক্সন পীবা দি ক্রিএটিভ আর্টস রিসর্চ্ছ সেন্টরগী 'শৈদাংবীরা'



পীক্লবসু পীক্লা লমদম অসিগী কলচর অমসুং স্পোর্টসনা লমদম অসিবু মালেমদা ঙসিফাওবদা মশক তাক্লি। থোয়দোক্লা য়োকখৎপীবা, শেম্বীবা শাগৎপীনবা লৈত্রবসু মশা মতোমতা হেক্তঃমক চোঙখৎচরকপা লমদম অসিগী লৈহাওগা চুনরবা ইরমদম অসিগী হেক য়ুংশনবদা হেক্তমক ময়োল চোংঙি।

অদুবু শেম্বী শাবীনবা য়োকখৎপীনবা ব্রাৎপনা মশা-মরেং ফন্দুনা মপুং ফাবা উজাও অমমম ওইনবা হোৎনবদা মায় পাকপা,মলেম শীনবা থুংনা উরুম লাংহনবা ঙম্বা অশেংবা নুংশিৎ,অফবা নুংশা চীংলৈবাক্কী লমদম অসিদগী হৌখিদুনা লৈবাক অসিগী চাওথোকচনিঙাই ওইবা মীওই কয়া অমসু অসিগুম্লবা ফীভম অসিদা মরী লৈনবশিংনা মীৎয়েং অহেনবা থমদুনা হোৎনবা তারগদি লমদম অসিগী কলচরনা হাকচিক লাঙহনবদা নত্তনা শোয়দনবক্কী মহৈ-মরোং চুম্বা উপাল কয়া অমা থোরক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে।

অসিগুম্লবা লুরবা তাঞ্জা অসিদা নহা ওইরিবা আর্টিষ্ট কয়া অমনা হায়নরুবা হৌনরুবা তৌদনা লেপ্পা লৈত্তনা চোংথোক্লরক্লিবা অসিমদি য়াম্লমক অফবা খুদম অমদি ওইরি।

অসুম্না নৌনা থোরক্লীবা আর্টিষ্টশিংবু লমজিং-লমতাক্লবগী পান্দমদা পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা ক্রেএটিভ আর্টস রিসর্ছ সেন্টর,মণিপুরনা হোৎন্নরি। সেন্টর অসিগী ডাইরেক্টর ওজিৎকুমার এলাঙবম নহা ওইনা নৌনা মচিন তুমখৎলক্লিবা ডাইরেক্টরশিংগী মনুংদা অমা ওইরি।

ডাইরেক্টর অসিগী মখাদা সেন্টর অসিদা সেনিয়র অমদি জুনিয়র আর্টিষ্টকয়ানা শরুক য়াদুনা লেপ্পা লৈত্তনা ব্রাকসোপনচিংবা কয়া পাঙথোক্লি। লোয়ননা সেন্টর অসিগী আর্টিষ্টশিংনা হৌখিবা চহীদা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমি অমদি লাঙমৈদোং ড্রামাটিক য়ুনিয়নগী হোলদা পাঙথোকখিবা ফেষ্টিভেলদা সেন্টর অসিগী অনৌবা প্রদক্সন অমা ওইরিবা 'শৈদাংবীরা' হায়না মিংথোনবা পুং ১ গা মিনট ২০ শাংবা প্লে অসিসু শরুক য়াখি।

ইমুং মনুংগী ওইবা ৱারী পারিং অমদা য়ুম্ফম ওইদুনা পুথোকখিবা সোসিয়েল প্লে অসিদা হায়দোক্তনা,ফোঙদোক্লন্দনা থম্নবা ৱাফম খরনা লান্না খন্নবা ৱাফম অদুদগী লাকপা প্রোব্লেম মচা মচানা ক্রিসিস কয়া অমসু ময়েক শেংনা উৎনবা হোৎনরিবা মপুং ফারবা প্লে অমা ওইরি। প্লে অসিগী শমলপ্পা ৱারীদি ঃ- ময়াই ওইরপ তৌবা ইমুং অমদা য়ুম্ফম ওই ! থমবালজাওগী মচানুপা খোমৈ অমদি মচানিঙোল তোম্বী মখোয় অনী পোকই। মতমগী মতুংইন্না মখোয় অনীমক ময়ুম মকৈ পান্নদুনা তাইবংগী অৱা-নুংঙাই কয়াগী ততাংকক কয়া শরুক য়ারকখি। মতমগী খোঙলৈ মতুংইন্না তোম্বীগী মপুরোইবা ফাইরেনজাও নীশাদা লুপ্তুনা মতম চুপ্পাদা লৈখিবদগী মাগী ইমুং নোংমা নোংমাগী য়ুম্বাল চাদবা ফীভম অমা ওইরকখি।

ফিভম অদুদা তোম্বীনা তঙাই ফদনা মপুরোইবাবু অমুক্তংদি অফবা,অচুম্বা মাইওন অমদা পুরক্লবা হোৎনবদা খরাদং ওইরবসু ৱাখল তারকপা মীৎকুপ্তুফাও ঙাইরগে খনখি। অদুবু মবুং খোমৈনা ময়ুম মকৈ পানলবী,য়ুমনাক শাগৈ ওনখ্রবী মচলনা মপামদা হনলক্তুনা লৈবা অদু পাম্লমদে। অসিগুম্লবা মরম অসিদগী ইমুং অদুদা মোৎ মান্নদবা মচা-মচানা ইমুং অদুদা ৱাথোক মচা মচা লাকই।

অসুম্না মচিল মৌপৱাগী মরক্তা ফৎত্তবা মরী অমা শাগৎলকই। মদুনা মাইকৈ খুদিং নুংঙাইফম লৈত্তবী তোম্বী খাঙবদা ঙম্লক্তবা তাঞ্জাদা মপুরোইবা ফাইরেনজাওগী পুন্সিদা অহোঙবা লাক্তুনা তোম্বীবু লৌবা লাকখি। লোয়ননা খোমৈনা মচল তোম্বীগী অশেংবা ৱাখল্লোন খঙজরকখি। হায়বা অসিনা প্লে অসিগী শমলক্পা ৱারীনি।

হায়রিবা প্লে অসিদা শক্তম লাঙলিবা নুপাদা ঃ- থমবালজাওগী শক্তমদা মোইরাংথেম বারুন সিংহ, খোমৈগী শক্তমদা ব্রিদীপ য়াঙলেম,ফাইরেনজাওগী শক্তমদা উশেম রাঞ্জন সিংহ অমদি মোধুগী শক্তমদা কোঙজেঙবম জেমস সিং হনি।

প্লে অসিদা শক্তম লাঙলিব নুপীগী শক্তমদা- থরোশঙবীগী শক্তমদা থোকচোম উশারানি দেবী,রানিগী শক্তমদা ৱাই সন্ধ্যরানি দেবী অমদি তোম্বীগী শক্তমদা হিজম কবীতা চনুনি।

ম্যুজিক - কৈথেনলাকপম লিখোম্বা মঙাং, ষ্টেজতা-লাঙপোকলাকপম ঘানন্তা মঙাং, লাইটতা - হৈশনাম রঞ্জিৎ সিংহ,কষ্টুমতা - প্রোমিতা তোইজম, মেক-অপতা - তোম শর্ম্মা,পুথোকপতা - ক্রিএটিভ আর্টস রিসর্ছ সেন্টর (লাইমৈদোং), রাইটরদা - মোইরাংথেম প্রিয়োব্রতা সিংহ,দিজাই এন্দ ডাইরেক্সননা - ওজিৎকুমার এলাঙবমনি।

হায়রিবা প্লে অসিনা ফেষ্টিভেল অসিদা সকেন্দ বেষ্ট প্রদক্সন, সকেন্দ বেষ্ট এক্টর, সকেন্দ বেষ্ট সর্পোটিং এক্টর, সকেন্দ বেষ্ট কোমিদিয়ান, সকেন্দ বেষ্ট মেক-অপ অমদি বেষ্ট ম্যুজিক, বেষ্ট এক্ট্রেস, বেষ্ট ষ্টক্রিপ রাইটরগা লোয়ননা প্লে অসিগী ডাইরেক্টর এৱার্ড ফংদুনা খ্বাইদগী য়াম্না এৱার্ড ফংবা প্লে ওইখি।



## ঐচ রাজেস

# মহৈরোইশিংগী খুদোল




TITLE KITE
Inunganbi,Khangembam
Class: NURSCERY,
Sec : C,
Roll no-3
School:UNACCO SCHOOL KHONGMAN






TITLE : APPLE
Roshan..Yumnam
Class: NURSCERY,
Sec : C,
Roll no-27
School:UNACCO SCHOOL KHONGMAN





TITLE :MANGOO
Ningthoujam.Shivraj
Class: K.G,
Sec : C,
Roll no-12
School:UNACCO SCHOOL KHONGMAN





TITLE :SCENERY
Sayani.Th
Class: IX,
Sec : C,
Roll no-9
School:UNACCO SCHOOL KHONGMAN






TITLE:FLOWER BOUQUET
Nganthoibi
Class: IV,
Sec : D,
Roll no-57
School: UNACCO,SCHOOL, KHONGMAN


TITLE :SAVE WATER
Khimbrey Elangbam
Class: V,
Sec : A,
Roll no-38
School: UNACCO SCHOOL, MEITRAM





TITLE : SHARK
Maheikhomba
Class: I,
Sec : B,
Roll no-17
School: UNACCO SCHOOL,-MEITRAM







TITLE : DOLL
Soma,Longjam
Class: III,
Sec : A,
Roll no-39
School: UNACCO SCHOOL, MEITRAM





TITLE : TEDDY BEAR
Surdiya
Class: II,
Sec : A,
Roll no-38
School: UNACCO SCHOOL,-MEITRAM


TITLE : PARROT
Thoithoi
Class: II,
Sec : B,
Roll no-24
School: UNACCO SCHOOL,-MEITRAM

IPS, CANCHIPUR
IPS SCIENCE & ARTS GROUP
ADMISSION OPENS FOR 2019
FOR CLASS XI
BOTH SCHOOL AND HOSTEL
RECOGNISED BY THE GOVT. OF MANIPUR AND AFFILIATED TO COHSEM
FEATURES :
1. TOPPERS IN HSLCE, 2019 - SCHOLARSHIP OF 2 LAKHS.
2. 90% AND ABOVE IN HSLCE, 2019 - RS. 1 LAKH.
3. 80-89% IN HSLCE, 2019 - RS. 60,000/-
4. 70-79% IN HSLCE, 2019 - RS. 30,000/-
5. 60-69% IN HSLCE, 2019 - RS. 20,000/-
6. 59% & BELOW IN HSLCE, 2019 - SPECIAL PACKAGES


Note : (i) Date of counselling, students' interview and parents' interaction will be announced later on. (ii). Limited seats and limited time.
Enjoy the Scholarship and Facilities under IPSCT, Canchipur.
Scholarships will be given on Selection Basis and Family Conditions.
FREE COACHING FOR CIVIL SERVICES EXAM. FOR APPEARING IAS,IPS
OFFICE OF THE SCHOOL WILL BE OPENED ON SUNDAYS & HOLIDAYS ALSO

MARKS TIME CLASSES
(MISSION FOR EXCELLENCE)
FOR CBSE CLASSES - IX, X, XI & XII
WANGKHEI MEIHOUPHAM LAMPAK, IMPHAL
ADMISSION GOING ON........
The only CBSC Coaching centre you can rely on
SL/Package/15 days
PERFORMANCE OF MARKS TIMERS 2019

OUR FEATURES :
• Small size, separate batches to meet different requirements of all students.
• Best team of experienced faculty whom you can rely on.
Perfect updated study materials - Repeated Tests.
100% Achievements - Per Batch 20 to 25 Students only.
FOR DETAILS CONTACT :
9436288300 / 7005596318
8837438207

CHAOKHAT KHONGTHANG
LUCKY DRAW

| DRAW | DATE | 1st Prize | 2nd Prize | 3rd Prize | 4th Prize | 5th Prize |
|---|---|---|---|---|---|---|
| 1st Draw | 07th July 2019 at 1.00 p.m. | 1 lakh | Rs. 80,000 | Rs. 80,000 | Rs. 50,000 | Rs. 50,000 |
| 2nd Draw | 07th Aug. 2019 at 1.00 p.m. | 1 lakh | Rs. 80,000 | Rs. 80,000 | Rs. 50,000 | Rs. 50,000 |
| 3rd Draw | 07th Sep. 2019 at 1.00 p.m. | 1 lakh | Rs. 80,000 | Rs. 80,000 | Rs. 50,000 | Rs. 50,000 |
| 4th Draw | 07th Oct. 2019 at 1.00 p.m. | 1 lakh | 1 lakh | 1 lakh | 1 lakh | 1 lakh |
| 5th Draw | 07th Nov. 2019 at 1.00 p.m. | 1 lakh | 1 lakh | 1 lakh | 1 lakh | 1 lakh |
| 6th Draw | 07th Dec. 2019 at 11.00 a.m. | Pleasure | Pleasure | Pleasure | Pleasure | TATA Tiago |

6 Months Lucky Draw Started from 7th July,2019 Contribution Amount ₹ 2000/- Per month.
Last Date of form Submission 26th June,2019
অথুবগী ওইনা এজেন্ট ওইবীনিংবা মীওই খরা পামজে
Pliz Contact: 7005162621
SL / B / M / Packd.
Consolation Prizes

Mobile Handset
Telivision
Gas Frame
Mixer Grinder
Tick your choice

Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com